## ৱারী মচা

# ইন্সপেকসন

**সোবিতা মোংজম**

থাপ্পবা খুঙ্গং কয়া ঈশিংনা থুমজিল্লকপদগী পাঙ্গল থোক্ত্রবা খুনগী লৈকায় মীফম পাঙথোক্তুনা নুংতিগী ফোঙলিবা পাউ-চেশিংগী মতেং লৌবা তারকই। লৈকায় লৈকায় কয়াসু মথং মথং মাগী মাগী ঙমজবী থাক্তা পাউ-চেশিংদা হাপ্তনা লৈঙাক পুরীবশিংনা মতেং পাঙবীনবা হায়জরম্মী। কনানসু মনাদা হাপ্পীরক্ত্রবা হায়জবা খুদিং তাবীরক্ত্রবদা পাঙ্গল লৈজদ্রবা খুনজাশিং কোক্তা খুৎ হাপ্লে, খরা অমনা মাগী মাগী মরী মতাশিংগী ময়ুমদা শাইদাংদুনা লৈনখিবা য়াওরে। লৈকায়গী মচিন চৎপী ইমা ইবেন খরনা লৈকায়দুগী কাউন্সিলর, মেম্বর উন্নরুবদসু থৌনা লৈতে তাকপীরক্লে, লমদমদুগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কাখিবা এম. এল এ গী মনাকোং য়ৌহনবা ঙমদে, তশেংবমক্তি মফম খুদিং ঈশিং তাদরে হায়নরবনিনা মাসু মশা লাক্তুনা মাগী কেন্দ্রদা কমদৌরি হায়বা য়েংফম থোকপনি খন্দুনা ৱারৌজে মীয়াম্না।

নোংমা খঙহৌদনা দি. সি ওফিসতগী মীওই অমনা ফোন তৌরক্তুনা ইমা লূচিংবী অমদা, লৈকায়দুদা ওফিসকী মীওই খরা চেক লাক্কনি নুমিৎতি হায়বা ঙমদ্রি হায়না তাকপীরক্লে, মতম অদুদা শাথিনা ঈশিংনা শোক্লিবা মফমসে নম্বোল কোংখাম ময়াই অমসুং মখানি। কোংখামগী খুনজা কয়া সরকারদগী মতেং খরতা ওইরবসু ফংজরগনি খন, নোংমগী শুফম নোম্ফম, চানা থক্লবা লৈরক্ত্রবা মীওইশিংগী মশাদা মঙান অমা ফাওরকপগুম্বনি খনজৈ। পাউ হায়রক্লম্বা মতুং নুমিৎ নিনি শুবদা ময়াম নিনফুং নিনফুং ঙাঙনরকপা হৌরকই, ঙরাং অঙোমজাম্বমগীদা নুপা অনীখক লাক্লগা ফোতো কাপখি, মরমদি খঙহৌদে। খরনা অমুক হায়রকই, গারী মচা তোংবা নুপা অনী লাকই অদুগা লৈকায়সিদি ঈশিং অমতা চাউদেনে হায়রম্লগা খুন লোন্নবগী লৈরিবা থোং মথক্তুদা লেপ্তুনা ৱারী শানহৌবা অসিনচিংবা। মৈ হৌনা শাউরবী লৈকায়গী লূচিংবীসু পাউ অসে তারক্লে, মশা মথন্তা খনজৈ, করিগুম্বা লোয়শঙগী মীনা চেক লাকপা ওইরম্লবদি লৈকায়গী মৈরা পাইবী লূচিংবী নৎত্রগা ক্লবকী মীওইশিং থীরক্তুনা মখোয়গা পুন্না চৎমীন্নদুনা য়ুম (৩০) কুম্ত্রামুক ঈশিংনা থুন্লিবদু চঙ-চঙদুনা ফোতো কাপমীন্নগদৌবনি, ঙায়োক ফার্ম কয়াগী পাথোক্লবা মওং-মতৌ য়েংহনগদৌবনি, লম্বী-শরোক্তা গারী থৌরগা চুমদ্রিং চৎখিবা অদুদি য়াম্না লানবনি। চেং-থাউ হৱায়-ঈশিংখক্তগা (থক্লবা) ওইরবসু সরকারনা মতেং খিক্তা পাঙবীরক্কদ্রা খনজরুবা নিংজবা পুম্বা কায়খিবসিদি ভোৎকী মতমদতা নিংশিংবীরকপা অৱা অনা তারবশিংগী মতেংনা পাংনিংদবা মখোয়শিংবু করম্বা মখলগী মীওইশিংনো, মখোয়গীসু ঐখোয়দা হায়জরকপা মতাং লাকখিনি খন তুমিন মপুক্লিং ফাজিঞ্জবা হোৎনরি।

তপ্না তপ্না ঈশিংগী ঈমায় ৱাংবা হেনগৎলকই, নোং চুবদি লেপখ্রে অদুবু মৌখৎলকপা চেনশিনলকপা পাৎ-কোমগী নমথীরবা ঈশিং মরক্তগা পীক্লিবা করিসু খঙজদবা মচাশিংগী নীংঙাইদা খাঙফম খঙদ্রবা মমা-মপা ওইবশিং পাঙ্গল লৈতে খাংবা তাবনি। লৈকায়গী ইমা লূচিংবীদুনা শোক্লবা য়ুম্বুশিং উন্নদুনা হেক হেক হায়জৈ ঐখোয়না ঙসি ৱারিবা ময়ামশিংগী মতেং পাঙবীনবা কনাসু লৈতে হায়বা ঐখোয় খঙজিনসি, ভোৎকী মতম লাক্লবা কান্দা ঐখোয় পুন্না অফবা, মপুক শেংনা লৈকাইগী লৈবাক্কী থবক তৌরক্কদবা মীওইদুতং খল্লগা ভোৎ থাদসি, ঐখোয়গী হকতি মাঙবা য়াদবনিনা ভোৎ থিংবদি য়াদে, মতমদুদনি লূচিংবশিংনা জ্ঞান তারক্কদবা, শেলনা মী লৈবা য়াদে হায়বা উৎলসি। মতম কয়া হৌখ্রে, মথোং মরম খঙদনা কনাসু উহৌ-খঙহৌদনা লোয়শিনখি ঈশিং ঈচাউগী ইন্সপেক্সন, ভোৎতা কাপখিবদুগী কান্নবদুনা কনাদা, মাগী মাগী কেন্দ্রদা ঈশিং ইচাওগী নমাদা সরকারগী কায়থরকখিবা পৈশাদুনা কনাগী ফুরিৎখাওদা পায়শিনখ্রবা কনাসু খঙদনা থিগৎপিনবা লৈতনা অসুম্না লোয়শিনখি ইন্সপেক্সন।

## তাবুনুংদগী

*(সেপ্টেম্বর থা অসি মীয়ামগী লূচিংবা হিজম ইরাবতকী থানি। হিরম খুদিংদা খুৎ থারম্বা লূচিংবা অসিবু ইকাই খুম্নবা উৎচবা ওইনা মহাক্কী শৈরেংগী লাইরিক ''শৈদম শৈরেং''দগী ''নোক্লবা'' কৌবা শৈরেং অমা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### নোক্লবা

করিগীনো ইকায়গদবা মীনা নোক্লবদা,
মীনা ঙম্নদবা থবক ঙমগে হোৎনবদা।
নোক্লবগী ৱাহৈবু খনগনি পাউতাক্লি,
নোক্লবশিংবুনা নীংগনি চান্নবা মরুপ্লি।
য়োৎকী মথৌ শঙবনি থাংজবগী মৈফুদা।

লিংজেলগী মথৌ শঙউ নোক্লবা ৱাহেনা।
মীনা থাগৎপগী ৱাহৈবু নীংউ নোক্লবনি,
মী অদুবুনা খল্লু অথোইবা য়েক্লবনি।
অদুতদা পাঙগনি থবক মীনা ঙমদবা,
ঙমগনি মীঙোন্দগী মীথোই মীহেনবা

***হীজম ইরাবত***

## মণিপুরী পাম্থৈ পাওরৌ পাওতাক

**১৭৮। অচোপ অরেম খঙদবা**
–ইকাইবা খঙদবা, মমায় থাবা।

**১৭৯। অচোপ্পা ঙাঙবা**
–ফত্তবা ৱাহে শীজিন্নরগা ঙাঙবা (অকামপেৎ ঙাঙবা)।

**১৮০। অচোপ অরেম্মু খঙদ্রদি ফি শেত্রসু য়ারে।**
–ফজদবা লীচৎ শাজৎ চৎপা, ইকাইবা খঙদ্রবদি ফি শেৎতবগা অমহানি

**১৮১। অচুম্বদা খোঙফম চেৎপশিংনা তুংগী পুন্সি লম্বেল অফবদা চৎঙম্মী।**
–পুকচেল শেংবগী তুংদা মীচং য়াম্মী।

**১৮২। অচুম্বা ঙাক্তা ঙাঙলবসু ফত্তবা লাকই।**
–অচুম্বা অশেংবা হায়বগীসু ফত্তবা লাকই।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কা উন্নবা

লাইরিক্কী মমিংঃ অরোইবা খোঙচৎ
অইবা ঃ থোকচোম মণিহার (সোনি)
ফোঙবাঃ অশাংবম কম্যুনিকেসন
মমলঃ লুপা ২৫০ /–

সোনি হায়না শক খঙনবা মণিপুরী সাহিত্যগী অইবা থোকচোম মণিহার সিংহনা ইবা লমকোয় ৱারী 'অরোইবা খোঙচৎ' হায়বসি লমায় ১৩২ পাল্লি, মমলনা লুপা ২৫০ পীরি। লাইরিক অসি খৃষ্টকী কুম ২০০৬ তা অহানবা ওইনা অশাংবম কম্যুনিকেসন, ইম্ফালনা লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক ইম্ফালদা নম্লগা ফোঙবনি। লাইরিক্কী মখুম্না নেষ্ট এদভরটাইজিং এজেন্সি, ইম্ফালনা শেম-শাবনি। সোনি মণিপুরী সাহিত্যদা থোইদোক হেন্দোকপা কন্ত্রিব্যুসন কয়া তৌরিবা বাংলাদেশতা পোকপা অদুগা মণিপুরদা মহৈ-মশিং তমখিবা মতুংদা কনাদাগী মেন্ত্রিয়ালদা সেটলমেন লৌদুনা লৈখিবা মণিপুরী ডাইএস্পোরা রাইটর অমনি। 'অরোইবা খোঙচৎ' হায়রিবসিনা অইবনা ইরিবা লমকোয়বগী ৱারীগী মথং মথং চম্থরক্লিবা অসিগী অরোইবা শরুক্লি হায়না লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা পল্লি। পুন্সি হায়বসিনা হাইপর, ৱার্ল্ডসিনা সাইবোক ৱার্ল্ড অদুগা বিজ্ঞানদনা নানোগী যুগ অসিদা অঙকপা হায়বদু লৈত্রবা মতমসিদসু ষ্টোনহেঞ্জেগী নুংগী মরোল মরোল লোনখৎনদুনা শেম্বা ষ্টুপশিং অঙকপা ওইরি ফোঙদোক্লি। ইরিবশিং অসিদা গাইদবুক অমদি ইতিহাসকী মচাকশিং য়াওদে হায়না অইবা মশানা হায়জরবসু ইতিহাসকী শক-তারিখ, চৎলুরিবা মফমশিংদুগী ৱারী-ৱাখোঙ, ইতিহাসকী থৌদোক, মহৌশাগী ফিভম পূম্বা ময়েক শেংনা য়েকই। ইংলন্ডগী খ্বাইদগী চাউবদা অনীশুবা হিথাংফম ওইরিবা সদামটন, পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা জর্ম্মনগী হিটলরনা বোম থাদদুনা থুগায়খিবা, টাইটানিক ফিল্মদা বৃটিশনা অনসিঙ্কএবল নৎত্রগা ফোর্মিদেবলনি হায়না লৌনখিবা টাইটানিকনা ১৯১২ গী এপ্রিলগী ১৪ দা পেসেঞ্জর অমদি ক্রূ মেম্বর ১৫১৩ গা লোয়ননা, মীওইবগী নাপলগী সিম্বর ওইরিবা হিসিনা সমুদ্রদা আইসবক্তগা থেঙজিন্দুনা সমুদ্রগী ঈথক-ঈপোমশিংগী শান্নবুং ওইখিবা পূম্বা লাইরিকসিদা ময়েক লানা উৎলি। পৃথিবীগী ওইনা ধর্ম্ম, জাৎ, মরোল অমদি চৎনরোল মান্নদ্রবা মীওই কয়াগা লোয়ননা থেঙনরকখিবগী চরিত্র অমদি থৌদোকশিং লাইরিকশিং লাইরিক অসিদা য়াওরি। নোংচুপকী সভ্যতা কয়াগা শক খঙনরুবা মতুংদা নোংপোক মায়কৈদা চৎননবা থৌরাং পায়খৎপা লাইরিকসিদা থেঙনগনি।

মণিপুরগী মহৌশাগী মমল য়াম্লবা লনশিং, পোক্লফম বাংলাদেশকী মহৌশাগী ফিভম অমদি পুন্সি মহিং অসিনচিংবা কয়াবু অইবনা চেকশিন্না য়েক্লবা হোৎনরি। গৌহাটিদা রতন থিয়ামগী 'ধাতু সংহার' য়েঙলুবদগী মরৈবাক্কী কলা কৃষ্টিগী ফজবা কয়ানা অইববু শুক্কৎখি। গৌহাটিদা ফোঙবা চেফোং 'ইচেম্মা' গী এদিটর ডা. ফুরিৎশাবম বীরমণিগা উনরুবা, ক্যামখা মন্দির য়েঙলুবা, গৌহাটিদা নুমিৎ মরিনি লৈরিঙৈ মতমদুদি মেমোরিগী খোঙ্গুল লীবা ওইনা থোকই। নীংশিংই-ব্রহ্মপুত্রগী তোর্ব্বান্দা অরুনা ফুকোন মখোয় অনীগী অপাম-নুংশিগী ৱারীনা মুৎঙমদনা নীংশিংবগী ঈচেলদা মশেক-মঙাল নাইনা ঙান্দুনা লৈরিবদু। অমুকসু চৎলুই মতম খরা মহাক্তা নুংশি-নুঙোলগী খোঙলোই ওইরম্বী কনাগুম্বী অমগী ময়ুমদা, অদুবু পূম্নমক অদু হৌখিবগী নীংশিং ঈচেলদা তাহৌবা মমি নত্তনা অহিংবগী ইনিলদি খক লৈয়ু হায়বা য়াদ্রবনি। অইবনা মশাগী অনেম-অৱাং লৈবা চরিত্রগী মনুংদা থোকখিবা অৱা-নুংঙাই কয়াগী ময়েক লারবা স্মৃতি-অপোকপা অপোকপীনা লৈখিদবা, তা নরেন, আক্কু, প্রিটি পটেল, শ্রাতি বেনর্জি অমদি বহ্মপুত্রদগী শমথরকপা বুরিগঙ্গা তুরেল তোর্ব্বান্দা তাবা সাইন ১৩০ কোনবা ঢাকা মশক অমসু ইৎনবা হোৎনরি। সেপ্টেম্বর ২৪, ২০০৩ দা ঢাকাদগী ইন্দ্রপুরী মস্ত মাউন্টেন কিংদম নেপালদা পুং অমমখায়গী লম্বীদা খোঙশাল্লি। নেপালিশিংগী ব্যবহার ফজবা, মোং হাদবা, চীং-লেম্বা মতৌবু অইবনা শীংথারি। অইবগী 'অরোইবা খোঙচৎ' হায়রিবা লমকোয় ৱারী অসি চুম্মতগী লমকোয়বগী খোঙচৎ অমবু চুম্নতা য়েকপা নত্তে, পুন্সিগী মরমদা খরা হেন্না কুপশিন্না য়েঙশিল্লকপগী মীৎয়েংসু য়াওরি।

**আর জে মীতৈ**

## শৈরেং

### হিটলর

*সোবীতা বাচস্পতি*

হিটলর!
নঙ পোক্লরমাল্লে
ঈংনা চীক্না লৈজবা
ঈমা মণিপুরগী তম্পাকসিদা।

ঐ খঙই,
নঙ তশেংনা লাক্লে হায়বা
শক্লোন চামচামা লৌদুনা
নকোক চাম-চামা লোঙলদুনা।

ঐখোয়সে!
ঐখোয়সে ওইরমাল্লে
নঙনা নপুম থীৎপমখৈ
ওৎখ্রবদসু অপেনবা পোকহৌবা
কনসেন্ত্রেসন কেম্প মনুংগী
কংশি শিখ্রবা যিহুদিশিং।

মদুনা ওইরম্বা য়াই
মপোকসিদসু নঙনা অমুক
শেৎ চাবগী হক
ৱা ঙাঙবগী হক
শ্বর হোনবগী হক ফাওবা
নোংমৈ চিনদোলদা থম্লরিবা।

চুম্ব্রা হায়য়ু হিটলর!
নঙ পোক্লরবা নত্ত্রা তশেংনা
নঙগী থৱায় অমম্না
থৱায় চাম-চামা ওইদুনা,
নত্ত্রগবু?
অসুক চাওখৎলবা যুগসিদা
নঙগী নঙমক্তা
করিগী থল্লুনি লমদমসিদা।

---

### উরমই ঐনা নোংমা

***মুফিদুন নিশা***

মীগা মীগা
নুংশিনবা য়াদ্রবা সমাজসিদা
উরমই ঐনা নোংমা
হুই অমোম অমনা
হৌদোং মচা অমবু
মথাদা নাওইনহলহৌবা।
হায়নরিবনি তাইবংনা
য়েংথীনবদা হুইগা হৌদোংগা,
উহল্লবসু তাইওন্নবগুম ঈমীৎসিদা
কাউঙমদনা য়েক্লি থম্মোয়দা দৃশ্যদো।
কল্লক য়েংথীনবা পুম্বা নাথৈরম্লগা
মমা ওইবীগী মিংনুংশিগী লীচিংনা
পুনখ্রমাল্লে হুই অমোম
শামক ওইরবসু
পেল্লিদা মমাগী থম্মোয়।

### থবক্কী কৈথেলদা

***এম প্রেমচন্দ্র***

''থবক থবক ... থবক য়োঞ্জরি
থবক য়োঞ্জরি
লীশিং য়াঙ্খৈগী হুম্ফুগী ... লাখ'মগী
লৌবীয়ু লৈবীয়ু
অপাম অপান্বদুতা লৈবীয়ু
থবক থবক ... থবক য়োঞ্জরি''
লাউরকই লুকমায় পান্নরিবদুনা।

মহৈ মহৈ হুপচিন্নরকই
পুময়োম য়োমশিল্লে
অঙম অঙম্বনা অপাম অপাম্বা
লৈনখি, শিকি' মফাও তানদনা,
হরাও হরাও চৎনখি
ময়ুম মায়কৈ পাংনা।

খরনা মমল হুন্নরি
পিগী ঈচেলগা, ইজ্জৎকা,
অদুগা খরনা অঙাওবগুম ফন্নি
লাপতক্লা কৈথেলগী চিদাইদা।

মরক্তুদা, কুন্ধৈ য়েংলম্বা অমখক্তি
মনাক্তা তারম্বা নুংদুম অমা
তাপ পায়খক্তুনা লংশিনখি
লুকমায় পান্নরিবদু তম্না।

মথক্তা অমুক চুমথাং মকোয়।
নুংথিল অমনা অমুক,
নোংজাবিনা শল্লবা
নোংচুপ থংবা অতিয়াদগী
লেপ্তুনা চাইথরক্লিবা সনা মচুগী
নীংথিরবা মশেক মঙালদুনা
শঙখি মালেমসে অহীংবা সনা মচু
ঈখেংশিংগী মচু কুপশিনখিবমখৈ।

---

### ইমানা ঙাইরি ঙসিসু

***অঙোম রোবেন***

ঐখোয়গী ইমানা
মচা ঐখোয়গী মাঙসিদা
শীন্থবা লেপত্রি
খম্বা লৈতবা পিরাং
মচা ঐখোয়গীদমক।
অদুবু, পিরাংলক্তা
ঙাইবদি লেপত্রি
কনাগুম্বা মচা অমগীদমক
তৈথোকপিরবা ঙম্বা
ফিজি কংদ্রবী মাগী পিরাংবু।

---

### পুন্সি

***সত্যজিৎ খাঙেম্বম***

কনাদা করি তম্বীরিবা
করিবুনা কনাদা তম্বীদ্রিবা,
পোকপদগী পোলোইফাও
অনীংবা অপাম্বা তায়োন্নবা,
লায়র-ইনাকখুনবগী পল্লোনুং
কায়রা থম্মোয়গী মচেৎশিং
কায়না মৈচাক্কী মৈখুশিং
পানদম য়াওদ্রবা পুন্সিগী থৱায়শিং,
ঙমগদৌরিবরা শিংবা হে! তাইবং মপু
পিরাং কয়াসিগী লমন!!

---

### নিশা

***লাইশ্রম তরনীকান্ত***

নঙগী মহাওপুম্বা ফংলবা ঐসে
ঙসিসু হন্না হন্না তংনীংলি মহাওদু।
ঈ থক্লুরবা তমথীরবা কৈগুম
পেনবা নাইদে,
কাউবা ঙমদে মহাওদু

---

### ফজবা

***সগোলশেম সরত***

মালেমসে
মুশুক মুনা মল্লম্বদগী,
অকনবা নোংজাউ অমা,
মদু হেক হৌখিবগা
শংবান্নবা অতিয়া অমগী মখাদা
তরুরবা নোংমাইজিং চীংশাং পরেং,

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***সেপ্টেম্বর ১০, ২০১৬, থাংজ***

*মণিপুর সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর মশানা শীন্দুনা নুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা রোসিনি সিনেমা হোল বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ডাক্তর হাওবম রোসোনা ইংগ্রাজিদা ইবা ''পিক্লিং অপ ফ্রোম দ ব্রেষ্ট'' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা নৈনবগা লোয়ননা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। হায়রিবা শৈরেং শৈদিন্নবা অসিদা তোঙান তোঙানবা অইবা-অইবী ২৬ না মশা মশানা ইজবা শৈরেংশিং পাথোক্লদুনা নুংঙাইরবা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু ওইখি। থম্বাল মরিক কলেজগী রিটিয়ার ইংলিস লেকচরর, ওইনাম মনিবাবু সিংহনা শৈরেং শৈদিন্নবা থৌরম অদুগী থৌরম মপু ওইখি।*

***সেপ্টেম্বর ১২, ২০১৬, নিংথৌকাবা***

*ইবোসনা য়াম্বেম্না ইবা ''মণিপুরী সাহিত্যদা সমাজ লোচনা অমসুং অতৈ ৱারেংশিং'' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা দেব লিটরেচরগী ওদিটোরিয়ম, দি এম কলেজ কেম্পসতা হৌনবী মতুং ইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে।*

*লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা মণিপুরী লেঙ্গোইজ এদভাইজরি বোডকী কনভেনর, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফালগী প্রসিডেন্ট, এল উপেন্দ্র শর্ম্মা অমদি দি এম কলেজ ওফ আর্টসকী প্রো. এন প্রিয়োব্রত্তনা মথং শিংনা অথোইবা লেঙবিরকপা, থৌরম মপু অমদি লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাঙবা ওইনা থৌরমদুদা শরুক য়াখি।*

***সেপ্টেম্বর ১৪, ২০১৬, য়ুমশকৈশ***

*এদভান্স লিগেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ডাক্তর এন প্রমোতনা ইবা ''হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুর'' (ভোলুম -১) অমসুং ''গ্লোভেল জষ্টিস এন্দ রুল ওফ লো'' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী ফোঙবগী থৌরম অমা মণিপুর প্রেস ক্লব, মেজোর খুল ইম্ফালদা পাঙথোকখি।*

*থৌরম অসিদা জষ্টিস দব্লিউ এ শিশক, রিটয়ার চীফ জষ্টিস হায় কোর্ট ওফ ছটিসগর না অথোইবা লেঙবিরকপা, প্রো. এন লোকেন্দ্র, দিন, স্কুল ওফ সোসিয়েল সাইন্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা অখন্নবা লেঙবিরকপা অমসুং এদভান্স লিগেল ফোরম মণিপুরগী ৱার্কিং প্রেসিডেন্ট আই জুগেশ্বরনা থৌরম মপু ওইখি। লাইরিক অসিগী অইবা ডা. এন প্রমোতনা মণিপুরদা হ্যুমেন রাইটকী মরমদা নৈন-নৈননা করিসু তৌবা ঙমদে, মসি লোগী মরমদা থিজিনবা ৱাৎপদগীরা হায়বা মিৎয়েং অসি নৈনদুনা মীয়ামদা খন্ননবা হোৎনজবনি হায়খি। ইন্দিয়াগী মনুংদা পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা হ্যুমেন রাইটসকী মরমদা এন জি ও শিংগী মপাঙ্গল কন্নবা অমদি মখোয়না মীওইবগী মায়োক্তগা চত্থরিবা মীওৎ-মীনৈগী থৌদোকশিং মায়োক্লরিবা অদুগী ফাইন্দিং ময়াম অদু লাইরিক অসিদা ইথোকচবনি। চীফ গেষ্ট ওইখিবা দব্লিউ এ শিশকনা, লো হায়বসিদা মীওইববু ঙাকপী-শেনবীনবা কয়া য়াওরি। মরম অদুনা লো হায়বসি ঐখোয়না খঙবা অমদি নৈনবা চঙই। ঙসি পুথোক্লিবা লাইরিক অসিনা অপাবা খুদিংমক্তা য়াম্না পাক-শন্না খঙহনবা শোয়দনা ঙম্লগনি।*

**রাজেন খুমুকচম**